"ঙসিদা খঙলে ইমা, নঙনা ঐগী পলেমনি,
মালেমগী ইতিহাসতা ইদুনা লৈরম্লে ইমা নঙগী ৱারী।"
- অরাম্বম সমরেন্দ্র

শৈরেং

## শিদ হীদাক

—ডা. অকোইজম ইবোহল

তাদবা তাহৌরো, খঙদবা খঙহৌরো
নিংথৌগী শগোল পাউজেল লাক্লিবসে
লৈকায় লৈকায় খুদিংদা লৈরিবা
ইমা ইবেল ইন্দোন ইচে ইচল
ইপা ইপল ইখুরা ইচা ইনাও
মিকপ থোক্লসে, ৱাখল তারসে
তূমদুনা লৈগদবা মতম নৎত্রে;
চিংন পরৈ থাদোক্লল্লো
অকি তুজুং তুংওইনরল্লো
থোকপিরকল্লো নাখল মরুমদুদগী
হরাউ হরাউ ইচঙ থৌনা
তাঙ্গা ফংলিঙৈ মতম লৈরিঙৈ
ফংবীররো শিদ হীদাক অথোইবা
কঞ্জনবা থৱায় শকউদ্রবা য়েক্লবদৈ;
পোকঙমদনা পোকপা মীওই মপোকনি
মপূং ফাহনসি, মহয় য়ালহনসি
মমি শামহনগুমসি লন্বী লমখাঙদা
লৈমন চলহনগুমসি খাঙুথক্তা লৈরাং
থাজনগুমসি খোঙজেল য়াঙলবা তোকঙাদা
লৈখোক লোইরবা লৈরাংনা কেনবদি
হৌনশানি মালং শাহুম ফংবদা;
ঙুং ঙুং চাকখৎলক্লিবা লম্মৈনা
লাঙ্গোয় চনশিল্লক্লবা য়ারৌ শজিগুম
করিগী তথক্লি, করিগী তনিক্লি
নখোয়বু কনবনা ঐখোয়গী ইথৌনি
ৱারুবনু লৈরে কোভিশিল্ড, কোভেক্সিন
মখোয়গা মরুপ ওইহৌবা নত্তনা
লৈতে লৈরোই পান্বে অমা।

মালেম্না মশক খঙবা
লৈবাক ওইরেদনা মণিপুর!
ইপা ইপুনা তৌরমদবা ঙাক্তা
চীংমায় চীংমায়দা কয়ামা
থাবা থেংনরেদনা।
ময়ূম ময়ূমদা শুংলন্বা
কয়ামসু ফারেদনা।
লাপ্পা থাপ্পা চৎতনবা
খুদোংথীবা নংদনবা
মতমসু মাঙদ্রে।
কয়াদা লৌশিং লৈখ্রবনো!
থাফমদৈ, শুংফমদৈ ফারবা
মীওই কয়ামা চৈরাক ফংলে
লৈঙাক্লা লৈবাক্কী য়াইফনবা।
কান্নদে ঈশিং ঈচাওগুম
হেনগৎলক্লি অসুম অসুম
নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মরাল লৈবশিং
অঙাং ওলহনবৈ চৈরাক্তু
লৈঙাক্কী লোনা পাঙথোক্লদি
লৈবাকসে!
উন ৱায়মুক চিকখ্রনিদা।

## ইঙাগী নোংজুলক্তা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কুমগী নোংসু লেপ্তুনা চুরি,
অমম্বা নোংগী মপৈগা লোয়নরদুনা
মায়কৈ পূম্বা নোংখোং ফুন্না।
লমগী চেক্লাশিংনা
তুম্পক তুম্পক
পামেল থক্তা কাইদোংলি।
ইঙা, ইঙেনগী নোংলক্তা
হৌখ্রবা পুন্সিগী
চেনা হাইদোক্লুই,
মোমোন মোমোন নোকপি
মায়থোঙ লৈরাং থম্বাল
মানবিদো উরকখি।
থম্না খেঙোংগী
মরুম থুপ্না লৈবিদো
ইঙাগী নোংলিক্কা লোয়নরদুনা
পিরাং শীন্থুরদুনা,
নীংশিংলকইদা ঙসিদি
ইঙা ইঙেনগী নোংজুলকসিদা।

## পুন্সিগী মমল

—মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ

চঙশিল্লু চঙশিল্লগা উগানি,
নক্লা য়েংউ য়েংনীংলিবদো।
কৈরাক্তা নমফুন্দা কারগা,
লাপ্পা য়েংবনা উঙল্লোই।
চীংয়াগী ফজবা উনীংলবদি,
চীংয়া য়ৌনা চঙশিল্লু।
ঙাইহাকসু নাপি ওইরুচো,
উপাল ৱাপালগুম হৌরুচো।
উচেক-ৱায়াগুম লেল্লুচো,
তীন-কাঙগুম্না হিংলুচো।
ঙকশমদা পোপু থোংদুনা,
লৌবুক্তা লৈতঙ্গায় চিংলুচো।
মীয়াম মরক চঙদুনা,
কৈথেলদা পোৎফম ফল্লুচো।
শূরি-নোঙ্গিবশিংগী মরক্তা,
হুমাংগী মমল খঙলুচো।
লায়র-অনং ওইদুনা,
শেগায়র' খাংপোক্তা য়ারেকউচো।
চরা নাম্মা হেন্দুনা,
লৈত-লায়র খঙলুচো।
ফজবা নুংশিবা অচুম্বদি,
লোন্না থুপ্না লৈবনি।
মতমদুদা খঙলক্কনি শোয়দনা,
পুন্সিগী মমল কয়ানো।

## নীংশিংবা নঙনা

—প্রিয়া লৈশাংথেম

নীংশিংব নঙনা অৱাবা অমদি ওইরে
হৌখিবা মতমবু নীংশিংদুনা,
হকচাংবু থম্মোয়না অৱাবা পীরি
লাক্লরোই খঙলবা কয়াবু,
হল্লকখিনি ওইরকখিনি খন্না ঙাইহিরি
চৈনা কয়া ইথন্তা ফংলবী অমগুম
অৱা মৈশা লাংলরি
মিৎকুপ খূদিং নীংশিংবা নঙনা ।।

## নীংশিংবদা ইকায়গনু

—লাইশ্রম রোমোলা

মীওইবগী পুন্সি অমত্তা
নত্তে হৈরগা পোক্লকপা
তমগদবনি হৈননবা,
হোৎনগদবনি খঙননবা,
থাদোক্কদবনি ইকায়বা
লৌশিং তানগে খল্লবদি।
ওজা গুরু নাইদবা
লৈতে শিনফম তাইবঙদা।
শাখিবনি এক্যলব্যনা
গুরু দ্রোণগী লৈবাক্কী মীতম
তমজনবগীদমক তেনগী মহৈ
পূক্লিং হকচাং থৱায় য়াওনা।
মৈহৌরোলগী গুরু-শিশ্য
নুংশি চান্নবা অশেংবা মরী
থকসি-খাসি, লমচৎ-ব্যবহার
তম্নরিবনি, লিনরিবনি
নুংশিজরবা নীংশিং ৱারী
হৌরক্লিবা খুন্নাইসিনা।
অহানবা গুরুনি ইপা ইমানা,
মহৈলোইশঙগী ওজানা
অনীশুবা গুরুনি,
য়োকপী থাকপীরকপা
অহানবা গুরু মীরায়ফদে
লৌশিং মৈরা পীরিবা
অনীশুবা গুরু কাউফদে।
পুন্সি খোঙচৎ মায়পাক্লা
চৎলিবদো শাংল' লন্বীদা
ঙাকলৌ চৈশুনি মখোয়না।
কাউজল থীবা মীওইবা
কাউগে খন্না কাউগনু
নীংশিংবদা ইকায়গনু।

## কদায়দনো অমা চৎলগা

—নিংথৌজা মেন্মা

কদায়দনো অমা চৎলগা
পেন্নবা লাও খোংনিংঙি।
মী তাদবা অচিকপা মফম অমদা ,
পি অসিনা তানিংবা মতমদা,
পেন্না মনিং তম্ব মখৈ তাখিবদু
নুংঙাইবা ওইগনি খল্লি।।

## 'পংফংদা ফংই, পংফাদা ফাই'

—বি মঙাং

পংফংদা ফংই, পংফাদা ফাই
লুপা ক্রোর ক্রোরগী গুলি, হেরোইন পাওদর
মালেমগী কৈথেলগী মমমলদা
নান্থোকখিবা কয়ামসু য়াওরপোৎনি
মপুদি লৈত-লায়রবৈ নত্তেকো!
কদায়দৈ, অপায়বশিংগী ওইরমদোইনি।

মতম মতমগী ৱাখল

# ঙসিগী মীরোলশিংনা মৈতৈলোল ঙাঙনরক্তবা



ঐখোয়গী ঙাঙনরম্বা লোলশিং অমদি শীজিন্নরিবা পোৎলম খরগী মমিং ঙসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা খঙনদ্রে, হায়বসি হৌজিক কন্না হায়নরে। খঙনরক্তবগী মরমসি থিরুবদা অরুবা ওইদে ঙাঙনরক্তবগীনি। করিগী ঙাঙনরক্তবনো হায়রগদি মরম য়াম্মী। অহানবদা অহল লমন ইমুং মনুংগী মীওইশিংগীসু অশোয়বা চাউনা লৈ হায়দবা ঙমলোই। তাকপীগদবসি ইমুং মনুংগী মথক থোংবা অহল লমনশিংননি। মতম অমদি অহল লমনশিংনা মচা মশুশিংদা তৌহৈদে,হায়হৈদে, মদু য়াদেকো হায়বসি য়াম্না তোয়না মচা মশুশিংদা হায়নখিবা ৱাহৈনি। তৌহৈদে, হায়হৈদে হায়দুনা তাকপী তন্বীগদবা মমা মপা অহল লমনশিংনা হায়বীদবদগী লান্না লান্না ঙাঙনরকপা অদুম য়াহনখিবদগী অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা ঙাঙনখিবসু কয়া অমা য়াওনরি। হান্না শীজিন্নরম্বা নাৎকী পোৎলম, পোৎচৈ খরা মতমগী অহোংবা লাকপদগী শীজিন্নখিদবনা পোৎশক্কী মমিং অমদি পোৎশক খঙলক্তবা অসি ৱাহৈ লোল মাঙলক্লবগী মরম অমা ওইরি। মসিনা ৱাহৌ ওইরগা ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়াবা ৱাফম খরা লৈরে ।

হৌজিক লোল অমদি ৱাহৈদা মাঙলক্লিবসি মরুওইনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাংদা ঙাঙনরিবা লোল, ৱাহৈ অমদি মিঙ্গৌশিংদনি। খঙজদবা নহারোল অঙাংশিংনা লান্না ঙাঙবদগী হেন্দোক্লদনা লৌশিং জ্ঞান মপুং ফারবা চহী নিফু তানখৎলক্লবশিং ফাওবদা ঙাঙনবা য়াওরি। মপান্দা লাইরিক লাইশু তম্বদগী ইংরাজি হিন্দি কাবক খঙলকপদগী কেথোক্তুনা নৎত্রগা মৈতৈগী ৱাহৈদা মরৈ কোনবদগী হায়বা তায়,তৈনা ওন্ননা, ৱাহৈ, মিঙ্গৌ লান্না ঙাঙনবসু য়াম্না কন্না তারি। মসি নুপীমচাশিংনা খরসু হেল্লি । কন্না ঙাঙনরিবা লোলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা শোয়রিবসি মচে লৌবা নুপাদা ইতৈ হায়না কৌগদবদা ইবাই হায়না নুপীমচাশিং অয়াম্বনা কৌরিবসি করিগীনো ? কেরিব্রা নৎত্রগা ষ্টাইল তৌরিবা হায়বদুরা? ইমা ইপা, ইচে ইচল, ইবুং, ইয়াম্বা, ইতৈ, ইবাই মশক খঙদবা লোল মিঙ্গৌ খঙদবসি মসি খুদক্তগী ইমুং মনুংগী অহল লমনশিংনা ঙাঙলিবা মীওইশিং মচা মশুশিং অদু অঙাঙসু নত্তবনিনা শেমদোকপীগদবনি। ফজবোই নীংদুনা মী অমসু অমসু মতৌ তম্নদুনা ঙসি মফম খূদিংদা ঙাঙনিরি, কৌনরি। মতৌ অসুম্না নুপা মচাশিংনসু মতৈমদা ভাবি হায়না কৌনবা তারি। হিন্দি ঙাঙগে হায়রগনা মপূং ফাবা সেন্টেন্স ওইনা ঙাঙনখিবনা চুমলোইদ্রা? হিন্দি ঙাঙবা লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ঐখোয়গী য়ূমশিংদা ঙাঙনরিবা য়ানশিনবা লোলশিং অসি তারগা মখোয়না করি খল্লমগদগে হায়বসি খন্থবা চুমগনি। ঐখোয়সি অরানবা ৱাখল্লোন শাজৎ অমদা ফজরবোই নীংদুনা পুল্লপ তাউথরি । অঙাংনা খঙদবদি মমা মপানা তাকপীদবগীনি শেমদোকপা য়াগনি। লৌশিং লৈরবা, মিৎতা লাইরিক উরবা নুপা নুপীশিংনফাওবা লান্না লান্না মিঙ্গৌ কৌনবসিমদি অফবদি নত্তে । মাঙোন্দগী ঐখোয়না তমগদৌরিবা ফজবা অসি করিনো ? নুপী মশেল ইতাও কৌনবা য়াওরি, ভায় হায়নবসু তারি। নুপামচা মশেলদি ইতা,ইচে কৌনবা তাদ্রি। খরা কেশিন্নবা, লমকেৎপসি নুপীমচাশিংনা হেল্লি হায়বসি চুমগনি। মসিবু চুমথোক্কদবসি য়ুমগী অহল লমনশিংনি, মমা মপা, মবুং মচে ওইবশিংননি । কনাগুম্বা হায়নবা তান্নবা য়াদবা খরা লৈরম্বদি য়াই মখোয়গী মতৌদি তমগনুসি হায়নিংঙি।

হৌজিক য়াম্না লুবা মতম্নি। ইশাগী আইদেন্টিটি ঙাক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈসিদা অসিগুম্বা ৱাখল খন্থদবা মী য়াওরকপসিনা খুরৌ থাংহল্লি,চাউখৎপা থিন্থহল্লি। লুরবা মতম অসিদা ঐখোয়না মিঙ্গৌ লাল্লি হায়দুনা নৈনগদবা মতমসু ওইদে। লাইরিক লাইশুগী অমদি নাৎকী মশক চাউখৎনবা হোৎনমিন্নগদবা মতমসিদা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লি । তৌগে ঙাঙনগে হায়দুনা থৌওইনা ঙাঙনবনি হায়না লৌগনি অদুগা ঙসিগী অঙাংশিংনা ঐখোয়গী পোৎশককশিং মমিং খঙনরক্তবসিদি ঐখোয়গী পোৎচৈ খরা শীজিন্নরক্তবা ঐখোয়গী মরক্তা উখিদবদগী অয়াম্বসু ওইরি। উখিদবা পোৎশক্কী মমিং খঙদবদি খর ফৈ। ঙাইহাক লৈতনা শীজিন্নরিবা লোয়নরিবা পোৎ-চৈশিংদা মীরোল ওম্থোক্তুনা ঙাঙহনবা হৈনবী ওইহনবসি চাউখৎলকপনি হায়না লৌবা চুমলোই। চাউখৎলবা লৈপাক জপান অমদি চিনাদদি মখোয়গী লোন অমদি ৱাহৈ অসি অসুক্কী মতীক মরুওইনা লৌই। ঐখোয়দগী হেন্না ৱাহৈ মশীং লোল ঙাঙনরিবা লৈপাক্লি । ঐখোয়গা শাজৎ, ৱাঙাঙ, শক্তা মান্নরিবা জপান অমদি চিনানা মীতোপকী মমাংদা অমুক্কা হেন্না মখোয়গী লোল ৱাহৈশিং ঙাঙনবা, তাহন্নবা খঙহন্নবা হোৎনৈ । মখোয়না অতোপ্পা লোল খঙলগসু মশাগী লোল ঙাঙনবা হোৎনরিবসি তমজনিংঙাইনি। ঐখোয় মণিপুরী মৈতৈশিংগীদি হান্না ঙাঙনরম্বা লোল, ৱাহৈসি খরতনি । হৌজিক্কী মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎচৈশিং, অনৌবা থোকলকপা পোৎলমশিং ঐখোয়গী মণিপুরী মৈতৈলোন্দা ৱাহৈ য়াম্না লৈত্রি। মতমগী চাউখৎলকপসিদা লৈতবা লোলনা অয়াম্বসু ওইরি। লৈতবা লোলশিং মখোয়গী হান্নদগী খঙনরকপা ঙাঙনরকপা হিন্দি অমদি ইংলিস মীরোল অদুদা অদুম ঙাঙবদা কাইদে। ঐখোয়গী হান্নদগী ঙাঙনদুনা লাক্লিবা অশেঙবা ইরোলবু ঙাঙদনবা মুৎথৎলগা মীগী মরোল শীজিন্নবসিনদি চাউনা লাল্লি। ঐখোয়না ঐখোয়গী লোল ৱাহৈ ঙাঙনদ্রে হায়না নুংনাংলিবসু মতাংসিনি।

ঙসিগী অঙাংশিংদা ঐখোয়না লোল অমদি ৱাহৈ খঙহনবা তম্বীবা য়াবসি মাইকৈ অনীদনি। অহানবা মাইকৈদি ইমুংদা লোইনরিবা মীওইশিংনা ঙাঙনবা তাহনবা অনীশুবা মাইকৈনা মহৈ শঙশিংদা তমহন্দুনা খঙনবা হোৎনবীগদবনি। নেশ্নেল এদুকেসন পোলিসি মথংগী চহীদগী চৎননবা পান্দম থল্লিবা অসিদগী য়াওহৌনবা ঐখোয়না হোৎনবা তাই। ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পোৎশককশিংগী মমিংশিং লৱার ক্লাসকী অঙাংশিংদা লাই য়েক্লগা হাপ্তুনা উহনবা তাই, মীরমগী পোৎ ওইরগনা ঐখোয়গী লোলদনা অসি হায় হায়না খঙনবা তাকপীবা তারি। ঐখোয়গী পোৎচৈশিং ইংরাজিগী মমিং থোঞ্জিন্দুনা অশেংবা মমিং মাঙহনবসি ঐখোয়দা হেন্না মাঙজে । খুদম ওইনা মরু ওইখ্রবা 'শগোল কাঙজে কাংহুবু' হোর্স হোকিষ্টিক অদুগা 'কাঙদ্রুম' অসিবুনা 'বোল' হায়না অয়াম্বা ঙাঙনবা তারি। ৱাহৈসিনা অরানবা কয়া ওইরকই। কাঙজে কাংহুবু হোর্স হোকিষ্টিক হায়না হনবসি অরানবা ওইগনি। হায়ফেৎ মান্নে হায়না খঙননবা তাকপা,হায়বদি য়াই। ঐখোয়না খঙজিনগদবদি 'কাঙজে' খক্তা হায়দে 'কাংহু'হায়বা ৱাহৈ অমসু লোয়নরি । ৱাহৈ অনীসি থাদোক্লবা য়াদে । পোৎশক অহুম্না পূল্লগা 'কাঙজে কাংহু' শারিবনি। লাইনিংথৌ মার্জিংগী খুৎশুনি, সোরারেলনা মচাইবুংঙো খোরিফাবদা শিন্নরকখিবনি । মতাংসি শন্দোক্লা তাকপা য়াবা কয়া লৈরি । পোৎশক্কী নাক য়েৎ, তুং মাঙ খঙবা চংঙি। মতৌ অসুম্না উমং লাইবুসু 'ফোরেষ্ট গোদ' হায়না য়াংনা হন্দোকপা থেংনরি। উমং লাইদি উমং লাই হায়না অদুম থমগদবনি, মীঙোন্দা খঙনবা তাকপদি ফ্রি ইংলিস ট্রান্সলেসন তৌরগা খঙহন্নবা হোৎনবা কায়দে । য়ারিখৈ মীরমদা ঐখোয়গী মমিংশিং মশাগী লৈজরিবশিং খঙহন্নবা হোৎনবনা লোল হেন্না শন্দোক্তুনা ঙাঙহন্নবা হোৎনবা চুম্মী। ঐখোয়গী ঙসিগী অঙাংশিং হৈজ্রাং,খাবৈ,চেগেপ করি হায়রিনো খঙনরকত্রে। পাম্না চান্নরিবা হৱাইচার অঙাংনা মমিংগা পোৎশক্কা কোন্ননা খঙদ্রে, চম্ফুৎ খঙদ্রে মসিগী মহুৎতা মেগি,চৌ চৌ, সুপ না শিনখ্রবনি। ঙসিগী মৌশিং 'অঙাংগী নিংথা' খঙদ্রে 'হারগিসনা' শিনখ্রে, নাওহোং খঙদ্রে। অনৌবা ৱাহৈসু মপান্দগী চঙলকপা খঙবদি কায়দে অহেনবা খঙবনি। ঐখোয়গী লোলগী ৱাহৈদা লৈনা লৈনা খঙদবসি খরখক্তা নৎত্রে য়াম্না য়াম্মী। খঙনরকত্রিবসি অঙাংশিংগী মরাল নত্তে তাকপীদবগীনি। থৌওইনা ঙাঙদবা খঙজিন্নদবা মীসু য়াওরকপদগী ঐখোয় লোল ৱাহৈ শিথরকপনি ।

কনাগুম্বা লাইরিক হৈবী মৌনহা খরদি মপান্দা কুইনা লৈরুবদগী মণিপুরদা লাক্লবা ফাওবা হৈনখিবা মীরোলদা থৌওইনা মচাদা ইংরাজি, হিন্দি ঙাঙবা য়াওরি। মখোয়না জপান্নিজ,চাইনিজ, ফ্রেন্স লোল ঙাঙবদি তাদ্রি। য়াম্না মেট্রোপোলিটান সিটিগী ইচু খঙবা,মৈতৈলোন কাউখ্রবা নৎত্রগা মীরোল হৈনরকখ্রবগী মতৌসু মালহল্লি। ইংরাজি হিন্দি ঙাঙবা ঙম্লগদি লাইরিক হৈবনি, চাউখৎলবনি হায়না লৌবসু মাল্লি । করিসু কাইদে মীগী অপাম্বনি, মহাক্কী হৌরকফম কাওখিবননি, হৌরকফম নীংশিংদবগীনি। ঙসি মালেমগী চাউখৎপা লৈপাকশিংনা পাম্নরক্লিবা, থিনরক্লিবসিদি য়েলহৌমীনি, অরীবা মতম অমগী চৎনরম্বা য়োকখৎপনি। জপান্না ইংরাজি ঙাঙদে,চিনাসু অদু মাঙাই অদুবু মখোয় ইংরাজি খঙদবা নত্তে। চাউখৎপদি মখোয়না হেল্লি। মশাগী মমালোন হান্না ঙাঙনবা হোৎনৈ। মমালোনবু ইকায় খুম্নে। মখোয়না চাউখৎখিবসি উবদা অতৈ লৈপাকশিংনসু মখোয়গী মতৌ তম্নরক্লি । হান্নগী নাৎকী চৎনরকপা অরীবা লোনচৎ শাজৎ, ৱাহৈ,লোল ঙাক শেন্না থম্বা মহাক অদুদা চাউখৎপনি হায়না লৌনরক্লিবা মতমসিদা ঐখোয়গী চীংনুং অসিদনা মীনা লংথোক্লরবা পোৎ খূল্লগা চৎলি। বৃটিশনা লংথোকলম্বা ফুরিৎ অচোনবা ওভরকোট লিৎলগা নীংথম থাগী অঈংবা খাঙনরি। ইপা ইপুগী ঙবোং ফিনা তূবা কান্থাগী অরুম্বদগী মীরমগী কম্বলনা লুম্বা করিসু হেনবা নত্তে হায়বসি কাওনরে। লোল অমা ঙাঙলকপগী নুংশিবা অথোৎপা ঐখোয়গী লোলদা ৱাহৈদা ঙল্লিঙৈদগী লৈজরকই। থৌগল্লোন য়াওনা ঙাঙবা ঐখোয়গী য়েক সল্লাইশিংগী তোঙানবা ৱাহৈ খোন্থোক লোল লৈজরিবসি হুন্দোক্লগা মীগী মরোলনা ফজবনি, লাইরিক হৈবনি, চাউখৎপনি খল্লিবা ৱাখলসি থাদোক্লসি। ঐখোয়গী লোলশিং,ৱাহৈশিং,পোৎশককশিং হৌরক্লিবা মীরোলদা তম্বীদুনা খঙহন্নবা হোৎনদ্রগদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা কোন্না খঙজরক্তুনা মিৎত্তগী পি তানা কপলকখিগনি। ঐখোয়গী অহল লমনশিংদা মখোয়না তম্বীরমদবনি হায়না ওনখৎতুনা চৈরকখিগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১০৫

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

"রঙ্গনাথ বাবু, প্রোফেসর বেনর্জিনা ৱারী অদু য়াম্না নুংঙাইনা লিদুনা লৈখি। অদুগা মহাক্না হায়, 'ভন্দারকর প্রকৃত হৈতবনি, নৎত্রগা ঐনা খঙলিবা অসুম হায়না খঙলম্লোই। মরম অদুনা ঐনা মহাকপু প্রাকৃতকী লাইরিক অমা পাহনবনি। লাইরিক অদুদা ৱিমান হায়বা ৱাহৈ অদুগী ৱাহন্থোক শিলা লেখতা শীজিন্নবা অদুগা চপ মান্ননা শীজিন্নবনি।' মদুনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংনা ৱিমানগী অশেংবা ৱাহন্থোক খঙবা ঙমখিবনি।"

"বাবু রঙ্গনাথ, ঐ খুঙ্গংগী মীশকনি, অদুগী মথক্তা বাংভন অমসুনি, অদুবু হান্নগী জমিন্দার, বনর্জিগী অদুগুম্লবা য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিং অদু তারগা ঐগী হকচাং অসি মৈ হৌনা শাগৎখিবনি। মাগী মতৌ অদুদা থম্মোয়দদি মঙকশম অদু পায়রগা নিক্তুনা ৱিমানগী অশেংবা ৱাহন্থোক ময়াদগী তারক্ল বা নিকথৎকে খনবনি। তাঞ্জা অদুদা বনর্জিনা হায়রকখি, অঙাংশা, ৱিমানগী অশেংবা ৱাহন্থোক অদু ভান্দারকরনা খল্লিবা অমদি নখোয়না খল্লিবা অদু নত্তে। ৱিমানগী অশেংবা ৱাহন্থোক অতোপ্পা অমনি।"

"কায়নথংদা বনর্জিনা ইখঙ খঙহৌদনা থৌনা অমা লাক্তুনা হায়, ৱিমানগী ৱাহন্থোক হায়রগদি - মথোন-মথোন শাবা য়ুম অদুনি। নখোয় ইশিল্লো!"

"পুন্নমক তুমিন্না লৈখি। রঙ্গনাথ, ঐসু থৌনা অমা লাকখি। মখা তানা মফম অদুদা অদুমক ঐ ফমদুনা লৈখি। অমুক ঐনা হৌগৎলগা হায়, প্রোফেসর সাহব, ৱিমানগী ৱাহন্থোক অসি সংস্কৃতগী পন্দিট পূন্নমক্লা খঙই। মসিদা অদুক হাক্লা রিছর্স তৌবগী করি মথৌ তাবগে!"

"ৱাফম অদু হেক তাবগা প্রোফেসরনা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলক্তুনা হায়রকই, ফরে-ফরে। অদোমদি রিছর্স তৌদনা অদুমক খঙলম্লগনি। অদুবু অমুক্তা হায়বিয়ু শ্রিমান - অদোম্না ৱিমানগী ৱাহন্থোক অসি কদাইদগী ফংবনো?"

"রঙ্গনাথ বাবু মহাক্না অদুম হায়না হেক হায়রকপদা ঐনসু হেক্তা অশাংবা লেকচর অমা থাদবনি। সংস্কৃতগী লাইরিক ১০গী মমিং ঐহাক্লা থুনা-য়াঙনা হায়দুনা তাহনবনি। 'মেঘদুত' কুম্বা লাইরিকসু পল্লদুনা হায়জিনবনি। অদুগা অমুক ঐনা ৱিমানগী ৱাহন্থোককী মতাংদা হায়- ৱিমানগী ৱাহন্থোকতি পূন্নমক্লা খঙবনি। অঙকপনি নখোয়না ৱাহৈ অসিগী মতাংদা অদুক য়াম্না লাংনরিদুবু!"

"মদুগী মতুংদা করি তারকই খঙব্রা রঙ্গনাথ বাবু!"

"মদুগী মহয় ওইনা প্রোফেসর বনর্জি ঐঙোন্দা য়াম্না কন্না শাউখি। অদুগা হায়রকই, অদোম য়াম্না খঙ-হৈবা মাল্লি। ঐদি শুপ্নতগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইচম চম্বা প্রোফেসর অমনি।" থম্মোয়দদি মানা হায়রক্লিবা অদুদা অদোম্না ঐগী মরমদা খল্লিবদু লাল্লি। অদোমগী মরমদা হায়বিরিবা ৱাফম অদুদি চুম্মী হায়না। অদুবু মাগী অশাউবা অদু উরুরগা ঐ তুমিন্না লৈখি। মহাক্না অমুক হন্না হায়রকই, ঐদি ৱাফম খুদিংমক্তা রিছর্স তৌই। ঐদি অদোমগী সুমাইনা খঙ-হৈদুনা ৱাহং খুদিংমক্কী চিন্না পাউখুম পীবা ঙম্লোই। নহাক্না ঐগী ৱিমানগী ৱাহন্থোক অসিদা য়ানিংবা ফাওবিরিবা অসিনা হেন্না নুংঙাইজরে। মসি ঐগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি। অদোম অমুক্তা ফমথবিয়ু, অদোমগুম্বা হৈশিংবা মীওইনা লেপ্তুনা লৈবা হায়বসি ফজদে।

"অদুম হায়না থোকখি রঙ্গনাথ বাবু! বনর্জি শাউখিবদু অদুমক মখা তানদি শাউখি। মহাক্লা ঐগী ৱাফম খুদিংদা অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা য়ানিংদবা পুথোরকই। মদুনা মরম ওইদুনা ঐগী দিবিজন নেমখিবনি। মরম অদুনা মহাক্লা য়ুনিভর্সিটি অদুদা লৈরিঙৈদি ঐহাকপু য়ুনিভর্সিটি অদুদা মফম অমা পীখিদবনি।"

"মহাকপু ঐনা অদুম হায়না য়ৈথৎলমদ্রবদি ঙসি মহাক্লা লৈরিবা মফম অদুদা ঐ লৈরম্বা য়াবনি।"

প্রিন্সিপাল সাহব অদু থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী লীরম্লগা তুমিন্না লৈখ্রে। ঙাইহাক মখোয় অনী তুমিন্না চৎতুনা লৈরম্মী। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা প্রিন্সিপাল সাহব অদুনা অমুক হায়রকই, "মতৌ অসুম্না কয়ারক হন্না ঐ মায়পাকপা ঙমখিদে। কায়নথংদা খঙলকখি মদুদি পূন্নমক মতৌ অদুগুম্না অদুমক তৌনৈ অমদি চৎনৈ হায়বা। চৎচসনু। পুন্নমক মখোয়গুম্বা ঙাক্তা লৈবা মফমদা য়াম্না হৈশিংলুরগা করি অহোংবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো? হৌজিক্তি রঙ্গনাথ বাবু নঙনা ৱাফম অমা হায়রক্লবসু হোয় ইবুংঙো চুম্মী! ৱেদ্যজিনা করিগুম্বা ৱাফম অমা হায়রক্লবসু হোয় মহারাজ, য়াম্না চুম্মী। রুপ্পন বাবুনা অতোপ্পা ৱা অমা হায়রক্লবসু হোয় মহারাজ চুম্মী! শাফবনা ৱাফম অমা হায়রক্লবসু অদোম্না হায়বা ৱা খুদিংমক লোয়না চুম্মী হায়বা তাবনি।"

রঙ্গনাথসু প্রিন্সিপালগী ৱাফম অদু ককপা ঙম্লমদে। প্রিন্সিপাল সাহবনা হায়বিরিবদু চুম্মী হায়।

ইখঙ খঙহৌদনা প্রিন্সিপাল সাহব অদু থৌনা অমা লাক্তুনা অমুক হন্না হায়রকই, "য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি রঙ্গনাথ বাবু! ঐগী ইচননুপী মরি লুহোংগদবা ৱাৎলি। অদুবু লুপা অমা ফাওবা লৈত্রি। করিগুম্বা ৱেদ্যজিনা কোলেজদগী তান্থোরক্লবদি ভিক্ষা নিরবা ফাওবদা শেল ফংগদবা মান্দে।"

"মরম অদুনা রঙ্গনাথ নঙসু হায়য়ু, ঐ খন্নাগী ৱাবু ইনগদ্রা নৎত্রগা ৱেদ্যজিগী ?"

মখোয় অনীনা শান্নরিবা ৱারী অদুদা প্রিন্সিপাল সাহবকী পর্সনেলিটিগী মতাংদা ৱাফম কয়া মাংদা থোক্লকখি। অদুবু মহাক্কী ৱাফম অদুদা গ্যান-মেন তাদবা ৱাফম কয়া অমসু থোক্লকখি। অদুবু কায়নথংদা মহাক্কী জাদু অদু মতম শাংনা তৌবা ঙমখিদে। রঙ্গনাথ হান্নগী মতৌগুম মশা অদু খরা য়াংলকখি। অদুগা হায়, "নৎতে-নৎতে, প্রিন্সিপাল সাহব নঙনা হায়বিরিবদো লোয়না চুম্মী। অদোম্না লৈরিবা মফম অদু য়াম্না ফৈ। য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইরগা করি তৌগনি হায়গে? অদোম্না হৌজিক লৈরিবা অসি য়ুনিভর্সিটি অমগী ভাইস চাঞ্চেলর অমদগী ময়েং তাবা নত্তে।"

প্রিন্সিপাল সাহব অদু কুইরবগী তুংদা নোক্লকই। অদুগা হায়রকই, "হোয়, অদুবুদি য়াম্না চুম্মী। ঐদি ইশাবু ভাইস চাঞ্চেলর অমদগী হেন্না ৱাংনা খঞ্জে। ভাইস চাঞ্চেলরগী পুন্সিসু নরক অমগুম্বনি। অয়ুক্তগী হৌদুনা মশাগী গাড়ি পুদুনা এগজিক্যুটিভ পুন্নমক্তা সলাম তৌদুনা লৈ। করিগুম্বা মতমদনা চাঞ্চেলর, মিনিষ্টর, করিগুম্বা মতমদনা সেক্রেটরি লাক্তুনা অদুমক লৈ। গভর্ণরনসু চহী অমদা য়ামদ্রবদা মরি-মঙারক্তি চৈবি। অয়ুক-নুমীদাং চবেৎ-চবেৎ ঙাঙদুনা লৈ। নুপামচাশিংনা মমা-মপাগী মমিং পন্দুনা মচিন থিরদুনা অন্দোলন তৌদুনা লৈ। মতম পূন্নমক্তা ফুবিবা য়ানা লৈ। পুলিসতা ফোন তৌরুরগনা কেপটেন অদু নোক্লই। মখোয়না হায়, য়েংউ ভাইস চাঞ্চেলর অসি। চহী অমদা নুপামচাশিংদা লাথি চার্জ তৌহৌদ্রবদি মহাক নুংঙাইবা ঙমদে। মসিনি ভাইস চাঞ্চেলরগী ওইরিবা ফীভম রঙ্গনাথ বাবু!"

লোক খুরদুনা অমুক হন্না হায়রকই, "হৌজিক্কী ওইনদি অদুগুম্বা ফীভম অদু প্রিন্সিপালদদি থোক্তরি। ৱেদ্যজিনা মেনেজর ওইবা মফম অদুদি প্রিন্সিপাল ওইবা হায়বসি ববর শেরগুম্বনি। ঐহাক কনা অমত্তদা হায়জবা মথৌ তাদে। ৱেদ্যজিনা লুচিংবা ওইরবদি পুন্নমকপু খোংউপ উৎতুনা ৱারী শান্নে। করি খল্লি রঙ্গনাথ বাবু?"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

ৱারী ককনাউ

# শাজৌগী মঙ

"দাও হায়সিনবু য়ারদি য়াবজাৎনিকো। মসিদি করিগুম্বা পান্বে অমত্তনা থিংবা ঙম্বা নত্তে।" য়াম্না হরাওনা শাজৌদু মপান্দগী পরপ-পরপ চঙলক্লগা কোবি মশোই মল্লিবা মাগী নুপী ইবেল্লৈগী মনাক্তা মুকখায়দুনা লেপ্পগা লৱাই লেম্ফুন্দা ঙাঙথরকই। মাই মতৌদুদা ইঙক-ঙক্লবা ইবেল্লৈ মমিৎতু তরু-তরু পাংলগা য়েংখৎলকই।

"কৈনোনে মসিবু ঙাওরজাৎলা?"

"ঙাওবা নত্তেনে পেম্মা। উরবরা সে ঐগী খাওদা য়াওরিসে" ফৈনা য়াল্লিবা খাওদু উৎলি।

"করিনো অদুনা, কনাগী খাওনো?"

"ঙসাইৱাইদি মীগী ওইরম্মী, হৌজিক্তি ঐগী খাও ওইরেদনা"

"করিনো অদুদা য়াওরিদুনা"

"য়েংনীংলমগনি"

"য়েংনীংই, করিনো অদুবো?"

"শেলনি, অসুক য়াম্বা শেলসিদি ঐ পোকপদগী উরক্তি, ঐগী ওইয়ু হায়না তম্লম্বদগী হৌজিক্তি ঐগী ওইরেদনা"

"চথোদা, য়াম্না থুনা অমুক্তা পীথোক্লুচো, থানাগা লাক্তনা চৈগা লোইনা চানবা তারে, কনাগীনো, মপুদুদা থুনা অমুক্তা পীথোকখো চো"

"পীরোইহে, ঐগীনি। য়ামখ্রবা শেলনি ঐনা খনবদা মসি লুপা ক্রোর অমরোম ওইরমগনি, নহানখৈ ৱানা ঐনা কোয়চেন চেল্লিদো লাইনা উবদগী পীবিরক্লবনি, সিদৈদি ঐখোয় নুংঙাইরগদবনিনে অপংবী" ফৈনা য়াল্লিবা খাওদু কোনশিল্লগা খুল্লকই।

"কমাই তৌনি তৌরিসিদি? অদুবু কমাইনা কনাদগী মুল্লকইনো হায়বনি?"

"মুনবা নত্তে, পীরম্বনি"

"কনানা?"

"মশক খঙদে, হয়েং খঙনি?"

"কৈনো হায়সিবো"

"হো মীদো মশক খঙদে, হয়েং খঙনি হায়বা? হয়েং পাউচেদো মমিং মথা য়াওরকান্দা খঙনি, ঐগদি অমুক্তা উনদ্রিবা মীনেবা"

"ইশ! কৈনো হায়সিবো?"

"ঐনা লন্বী চৎলিঙৈদো, তুংলোমদগী চেল্লকপা নুপা অমনা মানা পুরকপা খাওসি ঐঙোন্দা সে হায়না পীরম্মগা ৱা অমত্তা হায়দনা অমুক কন্না চেনখিবনি। ঙাইহাক্কী মতুংদা পুলিস গাড়ী অমা লাক্লগা নুপাদু তান্নখি। নুপাদুদি হন্না য়েংলমদনা অদুম চেনখ্রে। মশক উখিদ্রবনি। পুলিস গাড়ীদুসু কন্না থৌখি। ঐনা খাওসি বোম য়াওরিজাৎলা হায়না চেন চিংথোক্লগা য়েংলুবদা শেল ওইরম্বনি। অদুদগী ঐ অমুক মায় লৈথোক্লগা অমুক হন্না লাকপা লন্বীদা হল্লেদনা। ঙাইহাক্কী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পা মখোল অমা/অনী তাখি। অদুদগীদি মী ময়ামসি পংচেন্দা চেন্নবনি, নোংমৈ কাপ্পরে হায়দুনা, ঐসু পংচেন্দা চেল্লে। অদুগাদি মীনা হায়নবদা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পদা নুপা অমা শিহৌরে হায়। খাওসি পীরম্বা নুপাদু শোয়দনা ওইরমনি। মানা ঐগী ওইজরসনু মসি নুপাসি য়াম্না ৱাজরবনি হায়না খঙবদগী লাইনা ইনশিন্দুনা পীরম্বজাৎনি"

"মদু নাতে চারোই, খাওদু শোয়দনা থিগৎনরকখিনি। অদুনা হেন্না নাতে চারোই"

"তানীংদেদা, কৈসু তৌরোই, খাও মপু শিখ্রদুবু, কনানা লাক্তুনা থিরক্কদৌরিনো? কান্নদে, নঙগী ননাদু সনা মচেৎ অমত্তা পক্তবদু নুংঙাইতে, মদু হান্না অমত্তা শাদোকসি। অদুগা য়ুম নোং য়ুরিসে, মসিমগা জিজ্ঘসি লোইনা শিন্দোক্লসি, চাবা চাদবা ঙাইহাক তূম্বদা নোং য়ুবসি য়াম নুংঙাইতে"

"ফরে ফরে অদু ওইরদি ঐনা মল্লিবা কোবি মশোইসি হুন্দোকখ্রগে, ঙা চাদবা য়াম্না কুইরে, ঙা ওইনা লৈরুরগে"

"লৈরুচো, ঙাদো পোরোম ওইনা চাসি, কুইরে পোরোমগাইদু চাদবা। হাকুম, মখাথংবগী বেমবেম লুহোংবগী চাক্লৌবদা চাখিবদুদগী চাদ্রিবনি"

"হোয়দহে, শিদৌ লৈরবা পুন্সিনি চাথোকসি। অদুদি ঐ কৈথেল চৎনবা ফি হোংলুখিগে"

"হোংলুরো পেম্মা ইবেল্লৈ, ঙাসি ঙন্না চারগা ঙন্না তূমথোকসি"

ইবেল্লৈ ফুক হৌগৎলগা মানা মল্লম্বা কোবি মশোইদু পোলাংদুদা থ্রোক থ্রোক লংশিল্লগা, নাকন্দা থমজিনখি, অদুগা ইমুংলোমদা থুনা য়াঙনা চঙখি। শাজৌ শেল হাপ্পা খাওদু নাকন্দা থম্মগা করি করি তৌসিগে হায়না ঙাইহাক ৱাখল খল্লিঙৈদো, নহা অমা মীরপ-নারপ য়েংলগা চঙলকই।

"তামো?"

"কনানো?" খংপ্রেক খংই।

"তামো নৎত্রা ঐনা ঙসাই খাও অমা পীজরম্বদো? ও অদুদা লৈরে খাওদো, ঐ খাওদো লৌবা লাকচবনি, তামোবু থাগৎচরি, খাওদো পীবিরো?"

"নঙবু... পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা শিরে হায়দাইনে?"

"ঐ নত্তে তামো লৈকায়গী মীচম অমনি, ঐদি লৈথোক্তুনা হান্না চেনখ্রবনি। মীদুদি ইচম চম্না লন্বীদা চৎচবা ওইরমাল্লে, হৌজিক জে এ সী অমা শেম্মগা মীহাৎপা পুলিস চৈরাক পীয়ু হায়না লাউনহৌরবনি"

"ইহ!... মদু য়ারোইদা, নঙ ওইনা শিয়ুদা"

"কৈনো তামোনা হায়রিসিবো?"

"শিরিদু ওন্নেদা"

"ওন্নদুনা ঐ হিংলিসিনিনে তামো"

"খাওসিদি কমাই তৌবা?"

"অদু লৌবা ঐ লাকচরিসিনি, তামোগী তুং লাপতক্লা ইন্নজরকপনি, কদাই পুলিসনসু ঐগী ইতুং অমুক ইন্নরল্লদি ফরক তানি, পুজখ্রগে"

"অশ! ইবুংঙো নঙগীসিবু"

"ঐ তামোগী অৱামল খরা পীজরমগে?"

"কয়া?"

"লুপা চাম্মরা, চনিরা অপাম্বা অমা হায়বীয়ু"

"ইহ! শাগৎলুরিসিগা?"

"ৱারৌবীনু, মসি পার্টিগীনি" নুপাদুনা চঙশিল্লগা খাওদু তাপ লাওনা পায়রগা মঙোন্দা ফৈনা অমুক য়ানশিনখি। অদুগা তুংগী ফুরিৎখাওদগী লুপা চনি লৌথোক্লগা পীরম্মী। অদুগা থোঙ্গাল্লোমদা থোকখি। থোঙ্গাল হেক য়ৌখিবগা নোংমৈ মখোল অমা তাখি। চেন্থোক্তুনা য়েংলুবদা নুপাদু মাগী থোঙ্গালদা ফৈনা তাদুনা লৈরম্মে, পুলিসনা মঙোন্দা য়াল্লিবা খাওদু লৌথোক্লগা ওফিসর অমদা পীখি। খঙহৌদনা পুলিস অমনা তুংলোমদগী নোংমৈনা মাগী মকোক্তা নম্লকখি। শাজৌ খংপ্রেক খংই। অদুগা কন্না লাউখি,

"ঐদি পার্টিগী মী নত্তে"

শাজৌ খঙহৌদনা মীকপ থোক্লে, মশা পূম্বা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎতুনা লৈরম্মী। মাগী নুপীনা তপ্না ফৈজুপতু মমায়দং চিংথরগা হংলকই-

"কৈদৌরে নুপা?"

"মঙ অমা মঙলুরে" শাজৌনা খুম্মী, "কৈকান্নবা মঙনো, চাক্লা চাক লাম্বসিদা মাগী নুপীদু অমুক ফৈজুপ চিংখৎখি। শাজৌনা য়েংদুনা লৈহৌই।

– *নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*